# ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী অচুম্বা পুৱারী লৈত্রি



**তুংগী মীরোলশিংগীদমক কখোকচবা**

**কর্নেল হাওরুংবম সরত (রিটাইয়র্দ)**

**শোথরবশিংদি শূবা-নোম্বা কনবীয়ু**

ঙসি মীয়ামদা ৱাফম অমতং থমজরি মদুদি থায়নদগী নিংথৌশিংগী মতমদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা অচুম্বা, অশেংবা, অরানবা, শেংদবা পূন্নমক্তু লমদমসিগী পুৱারী ওইনা ইরগা থল্লমদে। হৌজিক অচুম্বা, অশেংবদু কনা-কনানবু ইরগা তুংগী মীরোলশিংগী মীকপ থোকহন্নবা ইরগা থল্লম্বা য়াই। মীদিয়া চেনেলশিং, পাউচেশিংদা ফোঙদ্রবসু য়াই। থায়নগী পুৱারীগী লাইরিকশিংসি অচুম্বা অশেংবদু য়াওদ্রে। শেমজিন-শাজিনবা ৱারী ঙাক্তনি। মতম মাঙনবনি পারুবদা। মেজর জেনরেল সার জেমস জোনষ্টোন, মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইবিরম্বা বৃটিশশিংনা লাইরিক অমা ইবিরমখি- 'মাই এক্সপরিএন্স ইন মণিপুর এন্দ দি নাগা হিলস'। মহাক মণিপুরদা কুমজা ১৮৭৭তগী ১৮৮৬ ফাওবা চহী ৯ পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরমখি। মহাক্না জোনষ্টোন স্কুল অসি কুমজা ১৮৮৫দা লিংখৎপীরমখি। সার জোনষ্টোননা চহী ১৪৫গী মমাঙদা হায়বীখিবা অমসুং ইবীখিবা সেন্টেন্স - 'ৱি কেন্নোট রাইট দি ত্রু হিষ্ট্রি ওফ মণিপুর' অসি ঙসি ফাওবা চুমদুনা ঐখোয় হিংলি। অরানবশিং-চুমদবশিং মিৎসিনা উরগা ঐখোয় হিংলি। জেনরেসন কয়া অসুম্না-অসুম ৱাখলসি নোংথক্তা তাওরগা-পাইরগা হিংলি। মসিগী ফলনি কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী মণিপুরগী মপান্দা চৎপদা অতিয়াদা পাইরগা এরোপ্লেননা চৎলিবসি।

ঙসি ফাওবদা কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন অমত্তনা নেসনল হায়ৱেশিং ইম্ফাল-দিমাপুর, ইম্ফাল-জিরি লম্বী অনীদা মীতৈ ঐখোয়সি মপান্দা বাই রোদতা চৎপদা করিগী থিংফম থোকপগে? মণিপুর গী পুলিস কম্মান্দো, আই আর বিশিং, মণিপুর রাইফলস, পুলিসশিং, ভি দি এফ, পব্লিক ভোলন্টিয়রশিং, সটজাল (য়ু এফ ও) শিংনচিংবনা কুকি লমহেনবা খরসি ইরায় লায়না লাকশিনবা ঙমগনি। কাংপোকপীগী মচেৎ খরসিদা মীয়াম্না ঙাক্লগা, নমখায়রগা ঐখোয় চৎকদৌবনি।

মীওইবগী ৱেন তঙ্খাইখক পানবা, শেলদা ঙাওজবশিংনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা খনখিবদগী পূন্নমকসি থোক্লিবনি। মণিপুরগী এরিয়া অসি ২২,৩২৭ স্কৱার কিলোমিটরনি। মধ্য প্রদেশ, উত্তর প্রদেশ, অসামগী নগাওন দিষ্ট্রিক্টনা মণিপুরগী এরিয়াদগী চাউবা হেল্লি। পীকখ্রবা মণিপুর অসি মতম অমদা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিস্নর, সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমনা পুরমখি। মণিপুর অসি দিষ্ট্রিক্ট অমখক্কী এরিয়ানি। পোপ্যুলেসননি। দিষ্ট্রিক্টতগী ষ্টেট ওনখ্রে। ষ্টেট ওনখ্রবদগী লমদম অসি লোইশিনবগী ফীভম লাক্লি। মণিপুর অসি দিষ্ট্রিক্ট ৯দগী ১৬ ওন্থোকখিবগী মহুত্তা দিষ্ট্রিক্ট অমখক ওন্থোক্লক্লবদি কয়াদা ফগদৌবনো।

ষ্টেট অসিগী ফম্নাইবা মকোকসি করপসন পাঙথোক্তবা, করেক্টর মক্তদা, লৈবাক্কীদমক থৱায় কখোকপা ঙম্বা মীওই ওইরল্লবদি হৌজিক মায়োক্নরিবা পূন্নমকসি মায়োক্নরল্লোই। করপ্ট ওইবা, লমচৎ-শাজৎ য়াওদ্রবা মীদবু কনানা ইকায়খুম্নগনি। ঐখোয় পুল্লপ পুনশিল্লগা শোয়রিবশিংসি শেমদোকসি। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট অসি তোখাইনা পীরল্লোইদবনি। ইম্ফাল-দিমাপুরগী অসিনা মণিপুরগীদমক্তদি সেকেন্দ লাইনি। ইহান হানবদা ইম্ফাল-জিরি লম্বী অসি মণিপুর মীয়ামগীদমক্তি ইহান হানবা ফর্ষ্ট প্রাইওরিটি লাইফ লাইননি। লম্বী অসি ফগৎহন্নবগীদমক লৈঙাক অমত্তনা থৱায় য়াওদে। মীনম্বা ঙাঙবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ইম্ফাল-জিরি লম্বী অসি এরোপ্লেন তাবা য়াবগী ফীভমদা শেমগনি হায়না লাংজিং অচৌবা লম্পাক্তা কুমজা ২০১৭তা লাউথোকখি। চহী তরেৎকী মতুংদনা হেন্না ফত্তবা ফীভম ওইরক্লি। লো লৈতবগী মওং ওইরিবশিং শেমদোক্তবা য়াদবা শোয়রিবসি ঐখোয়গী খোঙথাংশিংনি।

নেসনল হায়ৱেশিংদা পীরিবা টেক্সশিংসি অঙকপগী মখলনি। অসাম গভর্ণমেন্ট, নাগালেন্দ গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টদসুনি। মসিদগী হেন্দুনা য়ু জিগী ওর্গনাইজেসন ষ্টেট অহুমসিদসু টেক্স পীরিবনি। টেক্সশিংদুগী শেল খোমগৎখিবদুগী দশাদু মীচম মীয়ামদগী খোমগৎলিবনি। পোৎ অমখক



চোকথবা লৈতনা মতোমতা চহী ৩০ উ-ৱা থারকখিবা জাধব বয়াংনা ইন্দিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিদগী পদ্মশ্রী এৱার্দ লৌবা (২০১৫)

খুদম পীজরবদা, গুৱাহাটিদা লুপা ৫০০ খক পীবা অদু মণিপুরদনা লুপা ২৫০০ হায়বদি শরুক অহুম হেনগৎনা য়োল্লি। লৈঙাক্কী রেভন্যু হেনগৎনবসু মীয়াম্না থবক শূরি। টেক্সশিংসু মীয়ামদগী খোল্লি।

হৌজিক্কী মতমদা রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই) না মখাদা লৈরিবা বেঙ্কশিংদগী রেভন্যু য়াম্না লাক্লবা রিজার্ভ য়াম্না পীরি। বেঙ্কশিংনা মখল-মখলগী চার্জ হায়বদি এস এম এস চার্জ, ক্রেদিট কার্দ, দেবিট কার্দ, একাউন্টদা চপ চাবা একাউন্ট থমদবগী চার্জিং, মখল-মখাগী চার্জ তৌরগা আর বি আইদা রেভন্যু পীরি। বেঙ্কশিংনা আর বি আইদা রেভন্যু পীরি। আর বি আইনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা পীরগা ফম্নাইবশিংনা য়াম্না নুংঙাইনা হিংলি। খোমগৎখিবা রেভন্যুশিংদু দিভেলপমেন্টকী থবকশিংদা থাদরল্লবদি ফগদৌবনি। মণিপুরসু ইন্দিয়াদা পুনখিবদগী লমদম অসি লোইখিবগী মমি লাক্লিবসিনি।

চহী ৭৫গী মতুংদা (ইন্দিয়াদা নমদুনা তিনখিবগী) ফীভমদু হন্দক উখি। কোংগ্রেসনা মণিপুর কনগনি। বি জে পিনা মণিপুর মূৎহনগনি হায়বগী ৱাখলসি খন্নরকখি। ফৎত্রিবসি পোলিটিকেল লিদরশিংদুনি। পোলিটিকেল পার্টিশিংসি নত্তে। হৌজিক বি জে পিগী লিদরশিংসি হান্না কোংগ্রেস লিদর ওইরম্বনা অয়াম্বনি। পুকচেল শেংদবা, কখোকপগী থম্মোয় য়াওদবশিংনা মপূনি খঞ্জরিবা, ময়োল পৎলগা খুন্নাইসিগী চৌকিদার ওইরি।

লাইরিক পারুবদা হান্না খঙলমদবা চেপ্টর খরগী ৱাফম খরা ইজরি। ৱাফমশিং অসি ঐখোয় ময়াম খন্থমিন্নসি। কোংগ্রেস পার্টি অসি ইন্দিয়ানা ইন্দিপেন্দেন্স ফংদ্রিঙৈদগী করপসন পার্টি ওইখ্রবনি। কোংগ্রেস পার্টিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ১৫গী মনুংদা সর্দার পটেলবু মখোয় ১৩না প্রাইম মিনিষ্টর ওফ ইন্দিয়া ওইনবগী খনখিবনি। মীওই ২ খক্না খনখিবা নেহরুনা ইন্দিয়াগী ইহান হানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখি। মতম অদুদা মীদিয়াগী চেনেলশিংসি ইরৈ লৈরমদবনা মখোয়গী মরমদা থোইনা খঙনরমদে। ইকুই কুইদ্রিঙৈদা কোংগ্রেস লিদর অফাওবা অমনা ৱারী খরসি ইথোরকখিবনি। মণিপুরগী পাউচেদা রেকোর্দ ওইনা লৈহৌনবগী মীয়ামগীদমক অমুক হন্না ইজরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নেহরুগী ইহান হানবা ফোরেন ভিজিটতি কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১০দা চৎখি। মতম অদুদা ইন্দিয়াগী এরোপ্লেন অমত্তা অমেরিকা ফাওবা পাইবা ঙম্বা লৈরমদে। নেহরুনা ইংলেন্দদগী এরোপ্লেন অমা হায়র তৌখি। দেল্লীদগী ৱাশিংটন ফাওবা দাইরেক্ট চৎপা য়ানবগী। মথংগী নুমিৎ ওক্টোবর ১১দা ৱাশিংটন এয়রপোর্টতা য়ু এস এগী প্রসিদেন্ট Harry S Truman মশামক লাক্লগা নেহরুবু ওকপীখি। য়ু এস এগী প্রসিদেন্টগা মিনট ৪৫ মুক ৱারী শানখি। জর্নেলিষ্টশিংনা করি করি খন্নবগে হংলুবদা নেহরুনা General Things নি খুল্লমখি। ইমপোর্টেন্ট টোপিকতি জি এস বাজপায়গা ৱারী শানগনি খুমখি। নেহরুনা কোইবা চৎখিবদুদা মমান্নবা-মমান্নবী মখোয় ৬/৭সু লোয়নখি। Padmaja Naidu সু য়াওখি। নুমিৎ ৬নি চঙনা নেহরু অমসুং মহাক্কী মরুপশিংগা ন্যু য়োর্ক, চিকাগো, সান ফ্রান্সিস্কোনচিংবা মফমশিংদা চৎখি। মহাক্না ওপন লকজরি কারসু হান্না হায়র তৌরগা থল্লমখি। চঙলিবা খরচ পূন্নমকসি ইন্দিয়াগী লায়রবা মীয়ামদগী খোমগৎখিবা টেক্সশিংদগীনি হায়বসি লুচিংবশিংনা থোইনা খন্থনদে। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৬তা নেহরু ইন্দিয়াদা অমুক হল্লকখি। মহাক্কী মচানুপীনা মহাক পুবীদে হায়না ৱারৌবদগী মহাক হল্লকখিবনি।

নুমিৎ ৪ খক লৈরগা কনাদাদা মহাক্কী মচানুপী অমসুং মরুপশিং পুরগা অনীশুবা ফোরেন টুর চৎখি। লম কোয়বনি চৎখিবদু। অহুল্লকশুবা ওইনা কুমজা ১৯৫৪গী ওক্টোবরদা চাইনাদা নুমিৎ ১০নিগী ফোরেন টুর চৎখি। অদুগা খ্বাইদগী ঙক্লিংঙাই ওইবনা কুমজা ১৯৫৪গী নবেম্বরদগী দিসেম্বর থা লোইরমদাই ফাওবসি নেহরুনা থাইগী Massage, Far East কী লৈবাকশিং - বর্ম্মা, থাইলেন্দ, ইন্দোনেসিয়া, মলেসিয়াদা কোইখি। নেহরুগী মঙারকশুবা ফোরেন টুরনা কুমজা ১৯৫৫গী জুন ৭তা মোস্কোদা থুংখি। Nikita Khrushchev কা উনরবা মতুংদা নেহরু অমসুং মহাক্কী টিমনা নুমিৎ ১৭নি চঙনা রসিয়া পূম্বা য়েংখি। অঙকপা প্রাইম মিনিষ্টরনি হায়বসিদি থা ২গা নুমিৎ ৭নি Yugoslavia, Austria, Italy, Egypt , Czechoslovakia নচিংবা লৈবাকশিং কোইরিঙৈদা মহাক ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনি, মহাক রেস্পোন্সিবিলিটি ওইবা মীওইনি হায়বসি কাউখিবা য়াওখ্রে।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা নেহরু অসি ৱর্ল্ড রেকোর্দ হোল্ডরনি ফোরেন টুর খ্বাইদগী য়াম্না চৎপা মীশিংগী মরক্তা। লোহিয়ানা হায়খি মদুদি ইন্দিয়াগী লায়রবা মীওই চাদা ৯৫দি নোংমদা 4 annas গী খরচতা হিংলি। অদুগা নেহরুগী নুংতিগী খরতি লুপা লিশীং ২৫ ওইরি। ৱাফম অসি ঐখোয় পূন্নমক্না খন্থফম থোক্তব্রা? নরেন্দ্র মোদিনা নেহরুগী রেকোর্দ থুগাইবা ঙমদ্রি।

লাপ্পা উরিঙৈদা মী মাল্লমল্লগা নকশিন্না য়েংশিল্লুবদা মী ওইরমদবসি মফম খুদিংদা, মতম পূন্নমক্তা উরি অমসুং থেংনরি। ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট সেসন অমসুং মণিপুরগী এসেমব্লি সেসননবু মণিপুর মীয়ামগী য়াইফ থৌদাং করিবু পুরকখ্রবগে? মতম মাঙহনবা মীফম ঙাক্তনি। এসেমব্লি নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্টকী ইলেক্সনদা করেক্টর য়াওদ্রবা, করপসনগী রাবনশিংনা মায় পাক্লিবা অসিনি। ইকায়খুম্নবা য়াবা মীদি য়াম্না তাঙলবা লমনি।

মণিপুরদদি তমজনীংঙাই ওইবা মীওইশিং ইরৈ লৈতবনা মীয়ামগী ওইবা থবকসি উদে। কুমজা ১৯৭৯দা ব্রহ্মপুত্র রিভরনা Jorhat কী এরিয়াদা য়াম্না অচৌবা ঈচাও অমা থোকহনখি। মতম অদুদা চহী ১৩দা ঙাইরিবা Jadav Bayang না তুরেল মপান্দা লিলশিং মশীং খঙদনা শিরগা লৈরম্বদু থেংনখি। মহাক্না খনখি - ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টদা চৎলগা পাম্বীশিং নিরগা থাগে হায়না। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মীশিংনা তুরেল মপান্দা পাম্বী অমত্তা থাবদা য়ারোই অমসুং কানরোই হায়রকখি। অদুম ওইনমক মহাক্না ৱা পাম্বী ২০ অমসুং উ পাম্বী ৫০ খক কুমজা ১৯৭৯দা তুরেল মপান্দা থাখি। মহাক্না চোকথবা লৈতনা মতোমতা হোৎনরগা চহী ৩০ উ-ৱা থারকখি। মহাক্না হেক্টর ১৩৬০গী এরিয়াদা পাম্বী থাখি।

নোংমা ফোটোগ্রাফর স্ক্রিপ্টরাইটর জিতু কালিতানা কুমজা ২০০৭তা ফোরেষ্ট এরিয়া অদু উবদগী লোকল ন্যুজপেপরদা পব্লিশ তৌখি। অদুদগী কুমজা ২০১২দা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিদা 'ফোরেষ্ট মেন ওফ ইন্দিয়া' হায়বা মীংথোল পীদুনা ইকায়খুম্নখি। হান্নগী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট অবদুল কলামনা লুপা লাখ ২.৫ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। কুমজা ২০১৫দনা পদ্মশ্রী এৱার্দ পীখি। ৱাইল্ড এনিমেলশিংগী নুংঙাইরবা ময়ূম অমা মহাক্না শাবীরে। মহাক্কুম্বা মীসি মালেমগী ওইনা য়াম্না অতাঙবনি।

মণিপুরদা ফোঙলিবা পাউচেশিংনা করেক্টর লুজদবা, করপসনগী ভাইরসশিং, লৈবাক্কী খন্দবা, সেক্রিফাইসিং স্পিরিট লৈতবা মীওইশিংগী ফোটোশিং ফ্রন্ট পেজদা হাপ্পীগনু। মখোয়গী শক্তমদু অয়ূক অঙনবদা কনানসু উজনীংদে। অচুম্বা ৱাফমশিংদি ককপীগনু। খুন্নাই অসি অখুবা মীৎয়েংদা য়েংলরোইসি। মীওবগী মপোক্তি অফবা, অচুম্বা, কখোকপা, মীনুংশি লৈবা, মতেং পাংবা, মীওইশিংগী তুংদা নীংশিংহৌরিবা ৱারীশিংনি। হৌজিক্কী মতমদা ফম্নাইবা ওইরিবা কনাবু লৌখৎপা য়ারিবগে? মী অমা ওইনা পোক্লবনিনা মী ওইবগী পূন্সি মহিং হিংবীয়ু। ●

# ইকায় খঙদবগী লমদমদা

- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -

ইকায়দবগা, অচুম্বা খঙদবগা অনীসিনা পুল্লগা য়াম্না তোঙানবা মী অমা ওই। মসি এঞ্জাং-নাপি য়েন্নবা মৌ অনীদসু ওইবা য়াই। ঙা ফাবগী ইশিৎলুরগা পুখৎলকপা ঙা য়েন্নবা মী অনীদসু ওইবা য়াই। ইচম চম্না হায়রগনা প্লেট অমদা হৱাই হাফ বোইল ফোঙ-ফোঙ শাবদু মরোই-মপাং মচল চানা হাপ্পগা চামিন্নরিবা মমান্নবা অনীগী মরক্তসু ওইবা য়াই। মীনা করি খনখিদগে হায়না খনগনবা কাঙবুসি পোৎ চৈ চপ মান্ননা য়েন্নবদা অয়াম্বা মতমদা খজিক-খজিক্তি মাঙগল্লি। ইমান্নবা খরা হোটেলদা অচাপোৎ চামিন্নবা মতমদা চাউবা মান্নদবা চামস পুথোরকপা য়াওই। অচৌবা চামসতু মীনা পায়বা হানখিনি হায়দুনা মখূৎ য়াম্না থুবা ইমান্নবা করিগুম্বা মতমদা য়াওরকই। লৈকায়গী চাক চানবদা ঈশিং খুজাই পুরকপদু ঙা থোংবা হাপহল্লগা ময়ূমদা পুখিবসু য়াম তাঙনা অদুম থেংনৈ। ইকায়দবগা, অচুম্বা খঙদবগা অনীসি মগুণ নীংথিনা চেল্লবা মীদু য়াম্না তৌঙম্বা মী অমা ওই হায়বসি মথক্তা পঞ্জরিবা খরা অসিনা ময়েক শেংনা হায়বনি। অসিগুম্বা মখলগী তৌঙম্বসি ৱাখল খরা লৈবা, মতুংদা লাক্কদবা মহয় হান্না উবা ঙম্বা মীশিংনা কৈদৌনুংদা ওইবা ঙমজদে। অসিগুম্বা মখলগী মীশিংসি ওইজবা খঙদবা, অপঙবা মীশিংনি হায়দুনা তৌঙম্বশিংনা খঞ্জে। অদুনা মখোয় মতম পূম্বদা ইকায়দবগা অচুম্বা খঙদবগা ওইদুনা অদুম লৈ। এঞ্জাং য়েন্নবদা খরা ফজবমা তাপ লাউনা হেক্তা পায়শিনবা মৌদু লৈকায়গী তৌঙম্বা ওই। খুলগী শেল হাৎপা ঙম্বা মীদু খুল পুবদা খ্বাইদগী তৌঙম্বা মেম্বর নৎত্রগা সেক্রেটরি ওই। লৈবাক মীয়াম্না অসি য়ৌনা ৱারবা মতমসিদা শেল খক্তা লুমদুনা নুংঙাইনা লৈবা ঙল্লিবা হৌজিক হিংলিবা (কোন্নদি শিদোরবা) লৈঙাকপশিংসু য়াম্না তৌঙম্বা লৈঙাকপা ওইদুনা মমায় থাঙ্গৎলগা লম্বী সড়ক্তা থোরক্লি।



মণিপুরসিবু হৌজিক ইকায়বকা পোকপা মী কনা-কনা লৈরিবগে। তোল্লবা ননাইগীদি তশেংনা ইকায়বা হায়বদু য়াওরিব্রা-য়াওদ্রবরা মথোঙ খঙজদ্রে। লানসি হৌরকপদদি ইকায়বনা ইশাসে পুমথন থল্লম্মী। লানসি কুইনা সুম শাংথরকপদৈ ইকায়বসু সুম মাঙথরকপগুম তৌই। ইকায়রগে হায়না খল্লবসু লানসিনা সুম শাংদোরকপনিনা কনাদা ইকায়গদৌরিবনো হায়বা খঙজদ্রে। মণিপুরদা কুকিশিংনা মখোয়গী তোঙানবা লম পীদবা য়ারোই হায়রকপদা মখোয়গীদমক ইকায়খি। ৱাজাও ঙাঙলগা থবক্তি করিমত্তা পাঙথোকপা ঙমদবা ঐখোয়গী লৈঙাক মকোক, চীফ মিনিষ্টরগী চেঙলৌ শক্তম উবদা য়াম কুইনা ইকায়খি। সী এমগী ফোটো উবদফাওবা ইকায়জখি। কুকিনা মীতৈশিং নোংমৈনা কাপ-কাপ্তুনা হাৎলক্লবসু তূমিন্না লৈরিবা মন্ত্রিগুম্বা, এম এল এগুম্বা ময়ামসিগী মমিং হেক তাবদা ইকায়রোই হায়বা ঙমদে। ঐখোয় এ সীগী এম এল এদি খরা নক্লবনিনা লম্বীদসু থেংনবা য়াওজে। মীকুপ্তো ঐঙোন্দদি ইকায়বগী মীকুপ ঙাক্তনি। লান কুইশিল্লকপদৈ ইরমদমসি মচেৎ তারক্তৌরে খঙবা থৌনা ফবা মপারি-মমোম কয়ানা মণিপুর কন্দবা য়াদে হায়দুনা কাঙলূপ ময়াম অমা শেম্নরক্তুনা মানা-মানা চঙশিন্নীংবা লাঞ্জং চঙশিল্লকপদা মীচম মীয়াম্না কদোমগী মীটিংদা য়াওগদগে খঙলক্তবা মতাংসিদসু খঙবা ঙমদনা ইকায়জৈ। ইমা লৈবাক কনদৌবা মীতৈ নোংশা ময়াম্না ইমাগী মচা মীচম মীয়ামগা ওইনা লান শোক্নরকপসিবু ইকায়রোই হায়বা য়ারিব্রা। মীতৈগী য়ূম কুকিনা মৈ থাবা উরগা লেপ্তুনা য়েংজবা নত্তনা পাম্বে লৈত্রবা। কুকিনা মীতৈ হাৎপদা লাম্থেংনবগী য়াথং ফংদ্রদুনা কোইচেন চেল্লগা লৈরিবা মণিপুর পুলিসকী ইচা-ইশুশিংনা লম্বীদকা লেপ্লম্বা উবদা ইকায়জৈদো। খ্বাইদগী হেন্না ইকায়জরিবদি কুকিগী য়ূম মীতৈনা থুগাইখিনি হায়দুনা নুংশা মরক্তা লেপ্পদৈ ৱারক্তুনা মীতৈনা ৱা ঙাঙবদা মশীংগা ফুদোক্তুনা শাওরিবা মণিপুর পুলিসকী থৌনাদুনি। ফুবালা মনীংগী চীংদৈ কুকিনা নোংমৈ কাপ্লক্লগা ক্বাকৈথেল পুলিসনা লম্বীদা লাকপা গাড়ী খাম্বা। সেকমাইরোমদা কুকিনা লান্দারক্লগা ত্রাফিক পুলিসনা ইম্ফালদা গাড়ী চে শুদবা ফাবা। নখোয়সি তৌবা ঙম্বা ঙাক্তনিকো। লেননা য়ূমথক লোইনমক হোগাইখিবদু মেন্নবা তিন মনা কুন পীবদা এম এল এগীদা চা লোনবা ইমুংনা হান্না তিন ফংহল্লিবা লাইরিক হৈবা ওফিসরগী মায়থোঙ থম্বাল উবদসু ইকায়দো। পাম্বে লৈত্রবা মীচম মীয়াম ঐখোয় মশেল য়েংনবদসু ইকায়জরে। ইকায় খঙদবগী লমদমদা। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯২**

১) **"শ্রীগীতা" (১৯৭৮)** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
২) **"বিশ্ব শান্তি"** (২০০৬) হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? কনানা ইবনো?
৩) **"নুংশিগী ঈচেলদা পৃথিবীগী অচৌবা মীওই খরগী পূন্সি ৱারী"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
৪) **"ফিজিগী লন"** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?
৫) **"সীতা"** (২০১০) হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল *hueiyenliteraryquiz@gmail.com* সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

MS BRICK FIELD
TAOBUNGKHOK
P.S.PATSOI, P.O. LANGJING

1. Ist class. 15.00
2. 2nd class. 14.00
3. Reject. I. 12.50
4. Reject. II. 11.50
5. Peti. I. 12.00
6. Peti. II. 10.00
7. Jammat. 10.00
8. 3rd class. 6.00

Contact no.6909236749
Block Machine
HL-B/8844/13/6-11/7

M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

| Class | Rate | No. Of Bricks | Amount |
|---|---|---|---|
| 1st Class | 13.00 | 1,500 | 19,500 |
| | | 2,000 | 26,000 |
| 2nd Class | 12.20 | 1,500 | 18,300 |
| | | 2,000 | 24,400 |
| 1st Reject | 11.50 | 1,500 | 17,250 |
| | | 2,000 | 23,000 |
| Jhamat | 10.50 | 1,500 | 15,750 |
| | | 2,000 | 21,000 |
| 1st P.T | 11.00 | 1,500 | 16,500 |
| | | 2,000 | 22,000 |
| 2nd P.T | 10.00 | 1,500 | 15,000 |
| | | 2,000 | 20,000 |
| P.T Reject | 8.50 | 1,500 | 12,750 |
| | | 2,000 | 17,000 |
| 3rd Class | 6.00 | 1,500 | 9,000 |
| | | 2,000 | 12,000 |
| Checktek 1 Load 407 Cantor | | | 4,500 |


Contact No. 7005513073
HL-P/330/21/6-5/7

M/S E.B.S. BRICK FIELD
HEIROK PART II GATE PALLI ROAD
GSTIN: 14GZZPS0829FIZR

| CLASS | RATE | NO. OF BRICK | AMOUNT |
|---|---|---|---|
| 1st | 12.50 | 2000 | 25,000 |
| | | 3000 | 37,500 |
| 2nd | 12.00 | 2000 | 24,000 |
| | | 3000 | 36,000 |
| P.T. | 11.00 | 2000 | 22,000 |
| | | 3000 | 33,000 |
| 1st Reject | 10.50 | 2000 | 21,000 |
| | | 3000 | 31,500 |
| Zamat | 9.50 | 2000 | 19,000 |
| | | 3000 | 28,500 |
| 3rd Selection | 8.00 | 2000 | 16,000 |
| | | 3000 | 24,000 |

Contact : 9856310240
9233788135
HL-B/8 June to 7 July

WE ARE HIRING!
The opportunity to excel in the following job positions in BANK:
Operational Staff
Any B.Com, BBA in Finance with min 50%. Must have good communication skill.
Salary : 33,000 to 45,000
Relationship Manager
Any Graduate with min. 50% in 10th, 12th and Graduation. No education gap.
Salary : 20,000 to 25,000
Business Development Executive
Any Graduate. Must have Driving License.
Salary : 18,000 to 20,000
Branch Relationship Executive
Under Graduate can apply.
Salary : 16,000 to 19,000
Last dt. of form submission : 3rd July 2024
Dt. of Interview :4th July 2024



Apply now and become a valuable asset to dynamic and thriving company!
Please contact:
EFEC
7005947474
HL-P/11069/25,27,28,29,1,2

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।